# য়ু এন চীফনা হকচীন্না নুংনাংবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানগী ওফিসিয়েলশিংগা ৱারী শান্নখ্রে



*য়ুনাইটেদ নেসন্স, মার্চ ৬ঃ*
পুলৱামা টেরর এটেক অদুগী মতূংদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান ৱাংনা উংখৎনরকখিবা অদুদা য়ুনাইটেদ নেসন্স চীফ এন্টোনিও গ্যুইটরেসনা প্রাইম মিনিস্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মাগী পাকিস্টানগী ফম্মান্নবা ইমরান খানগা ৱারী শানখিদে, অদুবু লৈবাক অনীসিগী ওফিসিয়েলশিংগদি ফিভম অদুগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়না মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা হায়খ্রে।

কাস্মিরগী পুলৱামাদা পাকিস্টানদা লৈবা টেরর গ্রুপ জৈইশ-ই-মোহম্মেদ (জে ই এম)গী এটেকতা সি আর পি এফ পার্সোন্নেল ৪০ হাৎখিবী থৌদোক অদুগী মতূংদা ইন্দিয়ানা খূৎ হন্দুনা পাকিস্টান মনূংদা লৈবা টেরোরিস্ট গ্রুপ অদুগী খ্বাইদগী চাওবা ট্রেনিং কেম্পতা এয়ার এটেক চখ্দুনা মাঙ-তাকহনখি। ইন্দিয়াগী এটেক অদুগী মতূংদা পাকিস্টান এয়ার ফোর্সনা অমুক খূৎ হল্লক্তুনা নোংথক্কী লান অমদা ইন্দিয়াগী মিগ-২১ অমা কাপথখি, লোয়ননা মদুগী পাইলোট অভিনন্দন বর্তমান ফাখি। পাইলোট অদু ইরাই নুমিৎতা ইন্দিয়াদা খূৎশিন্নরকখি।

ফিভম অদু ঐখোয়না মপূং ফানা খঙলে। ঐনা খঙবা ফাওবদদি য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেলনা গভর্ণমেন্টশিংদুগী মকোক অনীদুনা ৱারী শান্নখিদ্রি, অদুবু মহাক্কী নূংনাংবা ফোঙদোক্লবা অমসুং উংখৎনবা হন্থহন্নবা মী অমনা তৌবা য়াবা মথৌতাবা অদু ফোঙদোক্লবা মহাক্না নাকন অনীমক্কী ওফিসিয়েলশিংদা ৱারী শান্নখি হায়না সেক্রেটরি জেনরেলগী ৱাঙাংলোই ষ্টেফেনে দুজাররিকনা ঙরাং পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। য়ু এন চীফনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টরশিংগা ফিভম অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নখিব্রা হায়না মিষ্টর দুজাররিকতা হংলকখিবনি।

হৌখিবা চয়োলদা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পায়বা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম অদুদা সেক্রেটরি জেনরেলনা হকচীংন্না নুংনাংবা ফোঙদোকখি। নাকন অনীমক্না নুংশিন্ননা ৱাহন্থোক লৈবা ৱারী শানবগী খূৎথাংদা উংখৎনরিবশিং অদু হন্থহন্নবগী খোঙথাংশিং খূদক্তা লৌখৎনবা নাকন অনীমক্তা অপীলি তৌখি হায়না মিষ্টর দুজাররিকনা হায়খি।

ইন্দিয়ান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মথক্তা চথখিবা টেরোরিষ্ট এটেক অদুবু য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল গ্যুইটরেসনা কন্না কন্দেম তৌখি। অমসুং চেন্নবশিং অদুবু ইন্টরনেসনেল লোগী মখাদা দায়ত্ব পুহনবগী মথৌ তাই অমসুং মখোয়গী মথক্তা অথুবা ৱায়েল চখগদবনি হায়খি।

# টেরোরিজম অমসুং পোভর্টি লৌথোক্লবা হোৎনরি অদুবু ওপোজিসননা ঐবু লৌথোক্লবা হোৎনরি ঃ নরেন্দ্র মোদি



*বেঙ্গলুরু, মার্চ ৬ঃ*
ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে, ঐনা লৈবাকসিদগী টেরোরিজম, লাইরবা অমসুং শেঞ্জা-থুমজা লৌথোক্লবা হোৎনরি অদুবু ওপোজিসনা ঐবু লৌথোক্লবা হোৎরি।

মীওই ক্রোর ১৫০গী থৌজাল অমসুং অয়াবা ফঙলবা কনাগুম্বা অমনা কনাবু করি মরমগী কীগদৌরিবনো? মদু হিন্দুস্থান, পাকিস্টান, হুরানবশিং নৎত্রগা মপূক শেঙদবশিং ওইরবসু মখোয়বু কীফম থোকপ্রা ?

ইন্দিয়া অমসুং মীওই ক্রোর ১২৫না মসিগী পাঙ্গল অদু ঐঙোন্দা পীবীরকখ্রবনি হায়না করনাতাকাদা পাংথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

কলাবুরাগীদা পাংথোকপা মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা পাকিস্টানদা লৈবা টেরর ট্রেনিং কেম্প অমদা পান্দম থমখিবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ফেব্রুৱারি ২৬কী এটেক অদু পনখি। মালেম অসিনা অনৌবা মখলগী থৌনা অমা উখ্রবনি মসি মোদিগী নৎতে ইন্দিয়াগী ক্রোর ১২৫গী মীয়ামগী থৌনা অদুনি হায়না মোদিনা হায়খি।

মহাগথবন্ধন নৎত্রগা গ্রান্দ ওপোজিসন এলায়েন্স অদুবু 'মহামিলাৱত' হায়বদি মেগা এদলটরেসন অমনি হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লৈবাক অসিনা অকনবা গভর্ণমেন্ট অমা পাম্মি। রিমোট-কন্ট্রোল চীফ মিনিষ্টর অমগী উপাই অমত্তা লৈতবা গভর্ণমেন্ট অদু পামদে হায়খি।

চীফ মিনিষ্ট এস দি কুমারাস্বামি অসি রিমোট-কন্ট্রোল চীফ মিনিষ্টর অমনি। কোংগ্রেস-জনাতা দল সেক্যুলর এলায়েন্স অসি মীয়ামবু মতূংগী থাঙনা থিল্লগা শক্তিঃ পায়রকখিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ফোঙদোকখি।

সেন্টেরেল গভর্ণমেন্ট স্কিম অমা ওইরিবা প্রধান মন্ত্রি কিষান সম্মান নিধি থবক ওন্থোকপদা তেঙবাংদনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসিনা লৌমীশিংদা অচুম্বা অমত্তা তৌবিদ্রি হায়না মহাক্না মরান শিখি। করিগুম্বা ষ্টেট অসিনা ৱাল অমা খাগৎনবা হোৎনরবদি ষ্টেট অসিগী লৌমীশিং অসিনা মদু থুগাইগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

চহী অসিগী বজেটতা লাওথোকখিবা পি এম কিষান স্কিম অদুনা লৈবাক অসিগী অপীকপা অমসুং লম লৈজদবা লৌমী ক্রোর ১২দা তাঙ্কক ৩ থোক্লা চহীদা লুপা ৬,০০০ কী হকথেঙনবা শেনগী তেঙবাং পীরিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংবু চাওখৎহনবা হায়বসি মাগী গভর্ণমেন্টকী পায়খৎকদবশিংগী খ্বাইগী মকোক্তা থল্লিবা অমনি হায়খি।

# রাহুল গান্ধীনা জি-২০গী দিপ্লোমেটশিং উন্নখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৬ঃ*
লাক্লিবা লোক সাভা মীখলগীদমক পার্টিগী থৌরাং অমসুং মসিগী ৱাখল মীৎয়েঙ খঙমিন্নবগীদমক জি-২০ লৈবাকশিং অমসুং য়ূম্লোন্নবা লৈবাকশিংগী দিপ্লোমেট গ্রুপ অমগা ঙসি সোনিয়া গান্ধী, রাহুল গান্ধী অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ য়াওনা পার্টিগী সেনিয়ার লূচীংবশিংনা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা ৱারী শান্নগদৌরিবা অমসুং খন্নগদৌরিবা অদুগী মনূংদা ফেব্রুৱারি ১৪গী পুলৱামা টেরর এটেক অমসুং মদুগী মতাংদগী ওইরক্লিবা পোলিটিক্সকী ৱাফমশিং য়াওরবা য়াই।

জি -২০ এনভোয়শিং অদুগা উন্নবা থৌরাং তৌরম্বা অমা টেরর এটেক অদুগী মতূংদা কোংগ্রেসনা ককথৎখিবনি।

বি জে পি অমসুং গভর্ণমেন্টনা শোয়দনমক খঙগদবদি টেরোরিজম থেংনবদা কোংগ্রেসনা খ্বাইদগী মমাঙ থারি। মখোয়না লৈবাক নীংবদা ঐখোয় য়ৌবা ঙমলোই হায়না সেনিয়ার কোংগ্রেস লিদর অনন্দ শর্মনা হায়খি।

# টেরোরিষ্টশিংগী হকচাংশিং অদু উৎলূ ঃ লান্মীশিংগী ইমূং



*শামলি-মাইনপুরি, মার্চ ৬ঃ*
পুলৱামা এটেকতা শিখিবা উত্তর প্রদেসতগী লান্মী ২গী ইমূং মনূংশিংনা পাকিস্টান মনূংদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী এটেক অদুগী মশক থোকপা ফল অদুগী প্রমান পীয়ু হায়না ফোঙদোক্লককখ্রে।

পুলৱামা এটেক অদুদা শামলিদগী প্রদিপ কুমার অমসুং মাইনপুরিদগী রাম বকিল অতোপ্পা পার্সোন্নেল ৩৮গা লোয়ননা শিখিবনি।

পাকিস্টানদা লৈবা জে ই এমগী ট্রেনিং কেম্প বালাকোটতা এয়ার ফোর্সকী এটেকতা হাৎখিবা টেরোরিষ্ট মশীংগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট অমসুং ওপোজিসনগগী মরক্তা য়েৎনরক্লিঙৈ চৈরক্তা লান্মী অনী অসিগী ইমূং-মনূংশিংনসু এটেক অদুগী ময়েক শেংবা প্রমান পীনবগী ৱাফমশিং শৌগৎলকখিবনি।

শামলিদা প্রদিপ কুমারগী মমানা বলাকোট এটেককী প্রমান পীনবা দিমান্দ তৌখি। ঐখোয় পেন্দে। ইচানুপা কয়া শিখ্রে। ঐখোয়না টেরোরিষ্টকী অশিবা হকচাং অমত্তা উদে। অতোপ্পা নাকন অদুদা অশিবা হকচাং অমত্তা লৈতে। শেংনা হায়রবদা য়ূমফম লৈরবা অচুম্বনি খঙলবা পাউ লৈতে। ঐখোয়না মসি টি ভিদা উবা মথৌ তাই। ঐখোয়গী য়ূমদা লাক্তুনা হায়রবগী মথৌ তাই। ঐখোয়না টেরোরিষ্টশিং অদুগী অশিবা হকচাংশিং অদু মীৎসিনা উবা মথৌ তাই হায়খি।

# পি এমগী মথক্তা করপসনগী মরান শিগদবনি ঃ কোংগ্রেস



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৬ঃ*
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দাসোল্ট এভিয়েসনদা কান্নহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিস লান্না শিজিন্নে অমসুং মহাক্কী মথক্তা করপসন থিংনবগী লোগী মখাদা কেস অমা লৌখৎকদবনি হায়রদুনা কোংগ্রেসনা ঙসি রাফেল ফাইটর জেট দিলগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী মথক্তা অনৌবা লান অমা চখবা হৌখ্রে।

ফাইটর এয়ার ক্রাফ অদু লৈবগী থবক-ইনখাং অরোইবা ওইনা লোয়শিন্নবা হাপ্লিবা ইন্দিয়ান নেগোসিয়েটিং টিম নৎত্রগা আই এন টিবু নাকন্দা ইন্থোক্লগা থমলমখি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিসকী থৌশিনদগী নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিত দোভালনা নেগোসিয়েসন অদু লোশিন্নখি হায়না কোংগ্রেসকী চীফ স্পোক্সপার্সন রন্দীপ শুরজেৱালানা পাউমীশিংদা হায়খি।

লূপা ক্রোর ৫৯,০০০দা রাফেল ফাইটর ৩৬ লৈবনি হায়বা গভর্ণমেন্টকী ৱাফম অদু অরানবনি ইন্দিয়ান নেগোসিয়েটিং টিম অদুনদি লূপা ক্রোর ৬৪,০০০নি হায়খি। মরম অদুনা গভর্ণমেন্টনা পালিয়ামেন্টপু লান্না লমজিংই হায়না কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই অসিনা হায়খি।

# বস থেঙ্গাইনবদা ৭ শিখ্রে

*জয়পুর, মার্চ ৬ঃ*
রাজস্থানগী পালি দিষ্ট্রিক্টতা য়াঙনা থৌরকপা বস অমনা লম্বীদা খামদুনা লৈবা অতোপ্পা বস অমদা থেঙ্গাইবদগী নুপী অমা য়াওনা মীওই ৭ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীওই ২০ শোকখ্রে।

য়াঙনা থৌরকখিবা বস অদু জয়পুরদগী অহমেদাবাদ তন্না লাকখিবনি। মীওই ৪ মফমদুদা শিখি। অতোপ্পা অহুন্না অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎলবা তূংদা শিখিবনি হায়না সন্দেরাও পুলিস ষ্টেসন ইনচাজ ধোলারামনা হায়খি।

শোক্লবশিং অদুগী মনূংদগী মীওই ১৯ হৌজিকসু অরুবা ফিভমদা লৈরি হায়রি

# বি জে পি লো মেকর অনী খূৎ-থোক্লখ্রে

*লক্ষনৌ, মার্চ ৬ঃ*
ইলেক্সনদা খল্লকখিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মখোয়না পায়রিবা ওফিসকী চৎনরোলদা খ্বাইদগী হৌনদবা মওংগী থম্মোই শোক্লিঙাই ওইরবা খুদম অমদা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা উত্তর প্রদেশতা শীনবা ওফিসিয়েল ওইবা থৌরম অমদা বি জে পি লোমেকর অনী অমগা - অমগা খূৎ থোক্লখ্রে অমসুং খোঙউপনা থোক্লখ্রে।

থৌদোক অসি উত্তর প্রদেশকী কোনূং লখনৌদগী কিমি ২০০ রোম লাপ্পা সন্ত কবির নগরদা পাউমীশিং অমসুং মীয়ামগী হেক মমাঙ মমক্তদা থোকখিবনি।

ওফিসিয়েল ওইবা থৌরম অদু মফম অদুগী দিভলপমেন্ট প্রেজেক্টশিং অমসুং অতৈ থবকশিং মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা রিভ্যু তৌনবা শিনবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্দনেসন মিটিং অমনি।

দিষ্ট্রিক্ট অদুগী বি জে পি পার্লিয়ামেন্ট মেম্বর শরদ ত্রিপাথিনা মফমদুগী লম্বী অমগী ফাউন্দেসন ষ্টোনদা মহাক্কী মমিং হাপত্রিবা করিগীনো হংখি। মদুদা দিষ্ট্রিক অদুদগী এম এল এ অমা ওইরিবা রাকেশ বঘেলনা মসি মাগী ৱারেপনি হায়খি। মদুগী মতূং থুনমক অমগা-অমগা ওনশিন্নদুনা মচীন থিবা ৱাহৈশিং ঙাংনদুনা মরৈ য়েৎনখি। মদুদা এম পি ত্রিপাথিনা এম এল এ বঘেলদা খোংউপনা থাখি অমসুং বঘেলনসু অমুক খূৎ হন্দুনা এম পি অদুদা খোংউপনা থাখি। শরদ ত্রিপাথি (৪৭), সন্ত কবির নগরদগী লোক সভা মেম্বরনি অদুগা বঘেল (৫২)না মেহদৱালদগী এম এল এনি।

# এন্টি-হিন্দু ওইবা ৱাফম ফোঙদোকখিবগীদমক পাকিস্টান মিনিষ্টর হাসন চোহান মফম লৌথোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি মার্চ ৬ঃ*
পাকিস্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সকী ইনফোর্মেসন এন্দ কলচর মিনিষ্টর ফয়াজুল হাসন চোহান এন্টি-হিন্দু ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপগীদমক মফম লৌথোকখ্রে।

পি টি আই পঞ্জাব গভর্ণমেন্টনা পঞ্জাব ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর ফয়াজ চোহানবু হিন্দু কম্যুনিটিগী মতাংদা ফজদবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপগীদমক মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখ্রে। কনাগুম্বগী থাজবা লাইনীংগী মতাংদা ফজদবা ৱা ঙাংবা হায়বসি তৌরোইদবনি। টোলরেন্স হায়বসিনা পাকিস্টানগী অহানবা অমসুং খ্বাইদগী মাঙজিন থাবা য়ূম্বী অদুনি হায়না লৈঙাক পায়রিবা পার্টি পি টি আইনা ফোঙদোকখি।

পাকিস্টানগী পঞ্জাব চীফ মিনিষ্টর উসমান বুজদারনা ইনফোর্মেসন এন্দ কলচর মিনিষ্টর চোহানবু কৌখৎখি অমসুং মাগী ফম থাদোকপগী চে পিশিল্লক্লবা খঙহনখি হায়না পাকিস্টানগী মেদিয়ানা ফোঙদোকখি।

এন্টি-হিন্দু ওইবা ৱাফমশিং ঙাংবগী মতাংদগী চীফ মিনিষ্টর উসমান বুজদারনা সোহানদগী শেঙদোক ৱারোল পীরক্লবা খঙহনখি। মসিগী মমাঙদসু মিনিষ্টর চোহানগী ময়োক্তা অসিগুম্বা ৱাকৎ কয়া লাকখ্রে অমসুং মদুগীদমক মঙোন্দা ৱার্নিংশিং তৌখ্রবনি হায়রি। অদুবু মসিগী মমাঙ্গদা ঙসি মিনিষ্টর চোহাননা মাগী ৱাফমশিং অদুগীদমক লাল্লে হায়জখ্রে হায়রি।

পাকিস্টান মিনিষ্টর অসিনা এন্টি-হিন্দু ওইবা ৱাফমশিং অদু ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানগী মরক্তা ৱাংনা উংখৎনরিঙৈ মরক ফেব্রুৱারি ২৪দা ফোঙদোকখিবনি।

রিপোর্টশিংগী মতূং ইন্না পাকিস্টানগী অপূনবা মীশিংগী য়ামদ্রবদা চাদা ১.৬ ওইরিবা হিন্দু অমসুং হিন্দুইজমনা লৈবাক অসিদা ২শুবা খ্বাইদগী চাওবা লাইনিংনি। মসিগা লোয়ননা পাকিস্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গভর্ণমেন্ট অসিমক্তদা য়ামদ্রবদা হিন্দু ৭না নেসনেল এসেমব্লিগী মেম্বর ওইরি অমসুং পঞ্জাব প্রোভিন্সিয়েল এসেমব্লিদসু মানোরিটি মেম্বর ৪ লৈ।

# পাকিস্টাননা হাফীজ সায়ীদনা লূচীংবা জে য়ু দি থিংখ্রে



*ইস্লামাবাদ, মার্চ ৬ঃ*
জমাত-উদ-দৱা (জে য়ু দি) অমসুং মসিগী মশা ওইরিবা ফালাহা-ই-ইন্সানিয়াদ ফাউন্দেসন (এফ আই এফ)বু সুপ্নগী ৱাটচলিস্টতা থল্লি হায়না ইন্দিয়া মেদিয়ানা ফোঙখিবগী হেক নোংঙানবা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মুম্বাই টেরর এটেক মাষ্টরমাইন্দ হাফিজ সায়ীদনা লূচীংবা জে য়ু দি অমসুং এফ আই এফপু পাকিস্টাননা মখোয়গী আইন্না অথিংবা থম্বা ওর্গনাইজেসনশিংগী লিষ্টতা নিয়মগী মতূং ইন্না হাপচিনখ্রে।

ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাকিস্টানগী নেসনেল কাউন্টর টেরোরিজম ওথোরিটি (এন এ সি টি এ)গী নৌনা শেমদোক্লবা লিষ্টকী মতূং ইন্না এন্টি-টেরোরিজম এক্ট ১৯৯৭গী মখাদা ইনটরিয়র মিনিষ্ট্রিনা আইন্না য়াদবা লূপনি হায়না লাওথোক্লবা ওর্গনাইজেসন ৭০গী মনূংদা জে য়ু দি অমসুং এফ আই এফ য়াওখ্রে।

মসি ইন্টরিয়ার মিনিষ্ট্রিনা থোকপা নোটিফিকেসনশিংগী য়ূমফমদা এন এ সি টি এনা শেম্বা ২০১৯ মার্চ ৫ ফাওবগী ওইনা নৌনা শেম্লবা লিষ্ট অমনি হায়না লিষ্ট অদুগী মখাদা ইবা নোট অমনা হায়খি।

ইন্দিয়াগী সি আর পি এফ লান্মী ৪০ হাৎখিবা ফেব্রুৱারি ১৪গী পুলৱামা এটেককী মখা তারকপদা টেরর গ্রুপশিংগী মথক্তা থবক চখনবা মালেমগী শাফু কনশিল্লকপদগী জে য়ু দি অমসুং এফ আই এফপু অথিংবা থমলে হায়না ফেব্রুৱারি ২১দা পাকিস্টানগী গভর্ণমেন্টনা লাওথোকখি।

অদুম ওইনমক নিংথৌকাবা নুমিৎতা অপদেট তৌখিবা এন এ সি টি এ লিষ্ট অদুদদি জে য়ু দি অমসুং এফ আই এফ পু চুন্নতগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টরিয়ারগী মীৎয়েঙ মখাদা থল্লি হায়খি।

টেরর ওর্গনাইজেসন অনী অসি জনুৱারি ২০১৭দা ৱাটচলিষ্টতা থমখিবনি।

ওফিসিয়েলশিংগী মতূং ইন্না হাফিজ সায়ীদনা লূচীংবা জে য়ু দিগী নেটৱার্কতা সেমিনারিজ অমসুং স্কুল ৩০০, হোস্পিটালশিং, পব্লিশিং হউস অমা, এম্বুলেন্স সার্ভিস য়াওরি। ওর্গনাইজেসন অনী অসিগী ভোলিটিয়ার ৫০,০০০রোম অমসুং অতৈ তলব পীবা ৱার্কর চা কয়া লৈ।

মীওই ১৬৬ হাৎখিবা মুম্বাই টেরর এটেক পাংথোকখিবগী দায়ত্ব ওইরিবা এল ই টি (লাস্কর-ই-তাইবা)গীদমক জে য়ু দিনা ফ্রন্ট ওর্গনাইজেসন ওইরিবনি।

য়ু এসনা জে য়ু দিবু জুন ২০১৪দা ফোরেন টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা লাওথোকখ্রে। য়ু এস ট্রেজিরি দিপার্টমেন্টনা জে য়ু দিগী চীফ হাফিজ সায়ীদপু স্পিসিয়েল্লি দিজাইনেটেদ গ্লোবেল টেরোরিষ্ট অমা ওইনা লেপখ্রে।

২০১২তগী হৌনা মহাকপু চৈরাক পীবা ঙমহনগদবা ই-পাউ পীরকপদা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১০গী রিৱার্দ অমা য়ু এসনা লাওথোকখি। মহাক নবেম্বর ২০১৭দা পাকিস্টানদা হাউস এরেষ্টতগী থাদোকখিবনি।

# নোংপোক অফগানিষ্টানদা সুইসাইদ এটেকতা ১৬ শিখ্রে



*জলালাবাদ, মার্চ ৬ঃ*
লাননা চাহৎলবা অফগানিষ্টানদা খ্বাইগী অনৌবা মীশি-মীনা থোকপা এটেকতা ঙসি য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা নোংপোক থঙবা অফগানিষ্টানদা লৈবা কনষ্ট্রকসন কম্পেনি অমদা চখরকখিবা সুইসাইদ এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিখ্রে।

ঙসি অঙনবদগী জলালাবাদতা পূং কয়া চুপ্পা চখরকখিবা এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা পোকখাইবা অনী মখোন তাখি। মদুগী মতূংদা ননগরহার প্রোভিন্সকী কোনূং ওইরিবা সিটি অসিদা থৌদোক থোকপা মফম অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং থোমজিল্লকখি।

কম্পেনি অদুগী ইমপ্লোয়ী ১৬ শিখ্রে অমসুং ৯ শোক্লে হায়না ননগরহার প্রোভিন্সকী ৱাঙাংলোই অত্তাউল্লাদ খোগ্যানিনা এজেন্সিদা হায়খি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এটেকর ৫মক লোয়নমক হাৎখ্রে। এটেকরশিং অদুনা থমলম্বা বোম কয়ামরুম, কার বোম অমা অমসুং সুইসাইদ ভেষ্ট ২ দিফ্যুজ তৌদুনা সেক্যুরিটি ফোর্সনা ক্লিয়ারেন্স ওপরেসন অমা চথরি হায়না ৱাঙাংলোই অদুনা মখা তাখি।

হৌজিক ফাওবদা কনাগুম্বা অমত্তনা এটেক অদুগী দায়ত্ব লৌরক্ত্রি। ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ অমসুং তালিবান অনীমক প্রোভিন্স অসিদা শক্তি লৈরি। চহী ১৮ লোমগী লান অসি লোয়শিন্নবগী পান্দমদা কতারদা য়ু এস অমসুং টালিবানগী নেগোসিয়েটরশিংনা শান্তিগী ৱারী মখা চখনবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা এটেকশিং অসি চখরক্লিবনি।

# চিনানা চহী অসিদা 'খূৎশেমগী নুমিৎ' দিভাইজ পুথোক্কদৌরি



*বৈজিং, মার্চ ৬ঃ*
শেলসিয়স দিগ্রী মিল্লিয়ন ১০০গী আইওন টেম্পেরেচর অমা ফংদুনা চিনানা চহী অসিদা খূৎশেমগী নুমিৎ অদু শাবগী থবক মপূং ফানা লোয়শিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

চিনানা পুথোক্লবা হোৎনরিবসি ঐচ এল-২এল টোকামাক দিভাইস হায়না কৌই। মসি খূৎশেমগী নুমিৎ হায়না অয়াম্বা মতমদা কৌনরিবা কন্ট্রোল ন্যুক্লিয়ার ফ্যুজনগী খূৎথাংদা চপ চানমক লোয়বা খম্বা লৈররোইদবা ক্লিন ইনর্জি পীনবা নুমিৎ অমসুং থৱান মিচাকশিংদা মহৌশাগী ওইনা থোক্লিবা ন্যুক্লিয়ার ফ্যুজন প্রোসেস অদুমক্তা মান্নবা প্রোসেস পাংথোক্লবা দিজাইন তৌবনি।

শেলসিয়স দিগ্রী মিল্লিয়ন ১০০ হেনবগী আইওন টেম্পেরেচর অমা ফংবা হায়বসিনা ন্যুক্লিয়ার ফ্যুজন অদু ফংনবা পান্দম য়ৌবদা লৈরিবা শীংনবা ৩গী মরক্তগী অমনি। নুমিৎকী খ্বাইদগী ময়াই থংবা শরুক্তা ওইরিবা ফিভম অদু শেলসিয়স দিগ্রী মিল্লিয়ন ১৫ ওইগনি হায়না ময়ান্না পাকশন্না থাজনরি। মদু ওইরগদি চিনানা শাগদৌরিবা দিভাইস অসিগী ময়াইচবুক অদুদি নুমিৎকীদগী শরুক ৭ হেন্না ৱাংলগনি হায়না চিনা নেসনেল ন্যুক্লিয়ার কোর্পোরেসননা হায়রি।

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 02/01/19
Sl. No. : 0440
Valid : 26/12/18
Sl. No : 9581
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Ereicha Indane, Lelong**
Booking : 31/01/19
Valid : 26/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**M. M. Gas**
Booking : 12/01/19
Valid : 10/01/19
Stk : 306, 5kg Available
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : 05/02/19
Sl. No. : 300
Valid : 01/02/19
Stk :612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 30/01/19
Valid : 07/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas**
Booking : 02/02/19
Valid : 25/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Maha Laxhmi Indane**
Booking : 21/01/19
Sl. No. : 241790
Valid : 71/01/19
Stk : 306
Time :07.30 to 12 Noon

**Lambodara Indane**
Booking : 02/03/19
Valid : 25/02/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Canchi Service Indane**
Booking : 17/01/19
Valid : 12/01/19
Stk : 556
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Porompat Indane**
Booking : 12/01/19
Valid : 20/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**G B D Indane Service**
Booking : 12/01/19
Valid : 27/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 06/01/19
Valid : 29/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Imphal L P G**
Stk : 19kg -180
Time : From 08.00 a.m.

**Khiriphaba Gas**
Booking : 28/01/19
Sl. No. : From 18621 to 18936
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 01/01/19
Valid : 14/12/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-59**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | | 4 | | 3 | 8 | |
| | | | 3 | 8 | 6 | | 7 | |
| | 3 | | | | 2 | 6 | | 4 |
| 6 | 7 | | | | 4 | | 2 | |
| | 9 | 2 | 6 | | 8 | | | |
| 4 | | | 2 | 3 | | | | 8 |
| | 8 | 3 | | | 7 | | | 6 |
| 7 | | 6 | | | | 2 | | |
| | | 4 | | | 1 | | 3 | |

**সনা-সুদোকু -৫৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 8 | 3 | 6 | 9 | 5 | 4 | 2 | 1 |
| 9 | 6 | 1 | 2 | 8 | 4 | 5 | 3 | 7 |
| 4 | 5 | 2 | 7 | 1 | 3 | 6 | 9 | 8 |
| 6 | 9 | 5 | 4 | 2 | 1 | 7 | 8 | 3 |
| 2 | 4 | 7 | 3 | 5 | 8 | 1 | 6 | 9 |
| 1 | 3 | 8 | 9 | 6 | 7 | 2 | 5 | 4 |
| 8 | 7 | 9 | 5 | 4 | 6 | 3 | 1 | 2 |
| 3 | 2 | 6 | 1 | 7 | 9 | 8 | 4 | 5 |
| 5 | 1 | 4 | 8 | 3 | 2 | 9 | 7 | 6 |